"নুপী মীৎকপ থোক্লে,
নুপী অৱাং নোংপোক লমগী নুপী।"
*- বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*

## স্কুল কাগদ্রা?
**—এম নিলকুমারি**

স্কুলনি ঐখোয়গী, তম্ফমশঙ নুংশিজরবা।
ইরোল ইরি থোকচরকপদগী
ওজাতবু খঞ্জবা, ওজাগী নুংঙাইবা ৱারী কয়াদা
হঞ্জিন-হঞ্জিন নোকচবা;
কাউবা ঙমদবা ৱারী
জঙ্গলগী শাশিংগী নিংথৌ নোংশা
গুহানুংদা চোংথহনবা।
ঙসিদি ওজাসু স্কুলসু উখিদ্রে :
কোরোনাভাইরস - কোভিদ-১৯গী
হান্না লৈরম্লবা ময়ূমগুম মফম অমা ওনখ্রে
ওজাবু নুংশিররোইদ্রা কোভিদ-১৯ কিবদগী
কোভিদ-১৯ লাঞ্জংদা পুন্সি পিখম্লবদি
ইমানসু, ইপানসু, ইচেনসু, ইবুংনসু য়ারক্লোই।
চহী খরা পোত্থাজরগে
'আই এল পি' গী মতমদসু
পোত্থাখিবদাই নুংশিরবাঁ রোবিনহুদকী।
লাংদুনতা লৈরগদবা মণিপুর সনা লৈবাক ইরমদম
চীংশাং মাপলনা কোয়শিনবা
ঙাকপা ঙমদ্রবোইদো হে ইমা নুংশিবী।

## কনাগুম্বী অমদা
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

কুইরবগী তুংদা
ঙসিতা ঐগী
ৱাখল অসিদা
নোংমা মঙোন্দা
ফাওরমগদবা চৈনাদো
ঐ ঙসিতা খল্লুবদা
ঐগী করম্বা অশোয়বনো
হায়না কয়ারক খনখি।
থম্মোয় অদু মচেৎ মচেৎ
কায়হনখিবা
ঐনরা
মাগীদি মরাল
লৈত্রবরা,
কাইখ্রবা মাগী
থম্মোয়দুবো করম
থেল্লসিগে,
পুন্সি পন্থুংফম
ওইহৌদ্রবী মাগী মফমদা।

## কৈবু কৈওইবা
**—রোমি তখেল্লম্বম**

লৈবদাইনে মাগীসু...
পুন্সি ৱারী হৌরকফম,
    নঙগুম্না...
    ঐগুম্না...
    মখোয়গুম্না...
    নখোয়গুম্না...
লীখুন মান্নদ্রবসু,
লৈবনি, তোঙান-তোঙান,
    পুন্সি ৱারী 'মদি !!!
    চুমজবনি...
ঐসু, ঐগী 'ফমদা...
    পূন্নমক্কীসুনিকো...
অফবগীসু ... ফত্তবগীসু !!!
হেন্দোক্লবু মল্লবা...
    পোল্লোইদি
চৈনা, চৈথেং ঙাক্তনি !!!
ওজানা ফূবা চৈফূদি,
    থৌবান্দোং চফুদা...
    য়েগুম্বনি !!!
মল্লুবগী চৈনাদি...
শিনবা ঙমদে, কনানা মহুৎ...
    নঙনা...
    ঐনা...
    মানা...
    মখোয়না...
    ঐখোয়না !!!
ওইজনীংদে...
শক্তি লৈবা,
কল্লক্তে ... অকনবসু,
তানীংদে জাৎ...
    মোরোক মেৎপদা !!!
ৱাখল মতেক পংথকাল,
পিখম্নবদো... অরেম্বদা...
    হায়জিল্লকই, কদোমদগীনো...
"ঐনা তৌবনা - ঐনা ফং,
নঙনা তৌবনা - নঙনা ফং"!!!

## নম্বুল তুরেল
**—জয়কুমার তখেল্লম্বম**

অপূম অশাতনা হারবা ঈচেল
অমুবা মচুতনা ঐগী ফিজোলনি।
মহীক্কী লৈকোলনি শান্নফমনি
খন্থহৌদ্রবা মীৎকুপ্তা মীওইবা,
হৈথবীরি ঈতম্বাক্তা পেন্নাইদনা।
ওন থোইনা খাঙলি পিরাং শিন্থনা
খঙমনদে হন্না হন্না হায়রবসু,
তূমদবা হৌদোকপা ৱাই হায়বদু
খাঙবদা ৱারে হুগী ঈচেল লক্তা
হিদেন খুদিং পোত্থাবা নত্তনা।
নম্বোলবী থোং মহারানী থোনবীরি
ঐসু নীংদোন পোল্লিবনি,
নখোয়সু ঐগী ইতৌ উরমগনি
ইকায় ফিরুক্লরুরবনি ইতা নম্বুল তুরেলসু
খাংলিবনি ঈরোন্নুংদা অৱা নাহেনা।
তেক কায়রবা ঐগী হকচাংনি
মিৎ হারবা মনম লক্তা,
ইমাংদা লেপ্পরবদা য়েংনীংদ্রবনি

কয়া কুইনা হিংখিগনি মীওইবা
উনীংদ্রে মতমসিগী য়াওল।
ঙাইরিবনি মীওইবগী লৌশিংগী লোনচৎ
ঈশিং য়াওদনা হিংঙল্লোই খঙলকপা,
উপাল হৌদ্রবদা মীওইবা হিংলরোই
অহিং কয়া থম্মোয় মরাং হৌখি
থাজবু য়েংন-য়েংনা।
হে! চান্নথোইবী নম্বুল তুরেল
ঈচেল থক্তা হি তোং,
লৈনা জগোয় খূৎথেক শাখিবা
মীৎনা পেন্না উজরে ঐসু
লাইবক ফৈদা নম্বুল তুরেল।

## কনানা ঙম্বগে য়েংনসি
**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

সে সে শেবোতি
লাইশ্রম মচা বোবোতি
নঙগা ঐগা কাওনসি
কনানা ঙম্বগে য়েংনসি
কুপত্রেংনি হায়দুনা ঐখোয়বু
উশিৎ থৌওইদবা তৌবদি
কোরোনা ইতিক খঙহনগেদো
অশিংবা শাবা মীওইবশা।
    নখোয়না মঙম্মে খন্দুনা
    উমং-ৱামং কোকথোক্তুনা
    চীংমায়-চীংমায় তেমখায়দুনা
    থৱায় পানবা খিবিকপু
    লৈফম-চাফম খঙহনখিদবগী
    চৈরাক্তি ফংগদবা নত্তেদো
    হয়েং মুক্কী মপোক্তা
    চঙনা ফংগদবনি মপোক 'সিমক্তদা;
শায়ওন য়ান্বী ঐখোয়দি
শক্লোন পুবীনি কাউগনু
ঈরাৎ-থৌনি মতমদা
লাইরেম্বী ওইদুনা মরাক্কে
হরাউ-কুম্মৈনা য়ৌরল্লবদা
খুদোলপোৎ ওইনদুম শাফোঙলক্কে
অঈৎ-অশা ওন্নরকপসিদনি
ঐখোয়না হরাউ-মথোই কাজরিবা;
    ঐখোয়দগী লাপথোক্কে নীংলবা
    মতম লৈবা খিবিক্তা
    মায়খুম খক থাদোকফদে
    নখূৎ-নশা লূ-নালহল্লু
    নমায় নমিৎতা শোক্লনু
    কৈরোয় লৈকায় খুন্দিন্নবা
    থাদোকউ মতম খরদি
    মদুতনা য়াইফবা লম্বী ওইগনি।

## লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবদা
**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবদা
মায়কৈ মরি-শুংদাই নিপাল
করমনো, কদোমদা চেনগনি
কদায়দা লোৎকনি।
লাপ্পা লাপ্পা তারিঙৈ
থোইনা ৱারুদে ৱাখলসে।
খঙনক নকশিল্লকখি খঙহৌদনা।
থোকপা য়াদ্রে য়ূমদৈ
কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে।
চপ মান্নরে কৈশুমশঙদা লৈবগা
মীফা ওইনা ইয়ূমসিদা।
খরা য়াওখিমাল্লে ৱাখল তাদবা
লোকদাউননা কনশিন্দ্রিঙৈ।
লম্বী কৃক-কৃক ইন্নখিবা
মীয়াম মরক্তা অদুম য়াওখিবা।
ৱামিন্নরে পূন্নমক হৌজিক্তি
শেল লৈরবসু ফংদ্রে পোৎ লৈবা
চানীংঙাই, থক্লিংঙাই লৈতবা কয়া অমা।
হেন্না হেন্না পাখৎচরিবদি
মাঙজিল থাবা লান্মী ওইনা
লাম্হেংনরিবা ডোক্টর, নর্স,
পুলিস পর্সনেলশিং
ওইরকপসিদনি পোজিটিভ।
ঙরাংদা মীয়ামবু ঙাক শেন্দুনা
মপান থোরক্কনু লাউরম্বা
পুলিস পর্সনেলশিং লাক্ত্রে,
লাউরদ্রে ঙসিদি
পোজিটিভ য়াওরকপদৈ
মখোয়গী মরক্তা
ঙাইরি নঙনা হনখিদৌবা নুমিত্তো মালেমসিদৈ।

## প্রেম স্মৃতি মন্দির
**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

তোর্ব্বান ৱাংমসিদগী
নঙগী মায়কৈ ওন্দুনা
তমজরি খুদোলসিমতং প্রেম স্মৃতি
    ফংবা ওইয়ুকো নঙগী খোমলেন মঙলানচাদা।
নুংশিবা ৱাহৈ কয়া কয়ানি পীজনীংবা
নঙগী থম্মোয় পেলহঞ্জনীংই
অদুবু ঙমদ্রে অমত্তা ঙমদ্রে
    থুমহৎলে থম্মোয়সে অৱাবগী ঈরৈনা।
নঙবু নীংশিংনবগীদমক
শাগৎচরি প্রেম স্মৃতি মন্দির সিমতং
ঙমদ্রে সনানা লুপানা লৈতেংবদি
    লায়রবনা পল খাখিবনা।
কনা কনাগুম্বনদি শানৈ প্রেম স্মৃতি মন্দির
মনি মুক্তা হিরানা হৎতুনা
ফজ-ফজবা মচুনা লৈতেংদুনা
    উৎনদুনা নুংশি লমন শিংনবা
লেপত্রিবমখৈগীদি পুন্সি ঈচেলনা
কংবা নাইররোই নুংশি ঈচেলসু
লাৎলগনি নুংশি মুর্ত্তিসি মতম চূপ্পগী
    প্রেমগী স্মৃতি মন্দিরসিদা।
লৈরাং খরদং পূক্লিং লৈকোলদগী
ইখূৎনা হেকচবা ফংজবা
কচ্চরি প্রেম স্মৃতি মন্দিরসিদা
লৌবীয়ুকো নখূৎনা হরাওনা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাং



মণিপুরবু মপানগী লমদা মশক তাকপসি মণিপুরী জগোয়, মণিপুরী থাং-তা, মণিপুরগী শান্নরোইশিং অসিনা মরুইননি হেক হেক হায়নৈ । মপূম ওইনা য়েংলগা হায়বা তারগদি আর্ট অন্দ কলচরনা মণিপুরবু মশক তাকই হায়বনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী থিয়েটরনা, মণিপুরী সিনেমানা মালেমদা মফম চাউনা কল্লিবসিসু নাকল অমনি। পূন্নমক অসি লমদম অসিগী থৱায় য়াওজবা,আর্টপু পামজবা নুংশিজবশিংগী থৌনা,তাকপী তন্বীরিবা শিন্তাকপশিং,মখোয়গী কৎথোকপা কয়া অদুনা ওইখিবনি। পাম্মী নুংশি হায়দুনা মীপূম খূদিংমক্লা আর্টফোর্ম অমবু কোনশিল্লুবা য়াবদি ওইদে । মণিপুরী অমা ওইনা পীথোকলকপা ঈগী খোঙজেলদা য়াওজরকপা জগোয়-ঈশৈ,মীমাং কৃষ্মে লীলা-ড্রামা, নাৎকী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী মচলশিং অসিনা থৱায় য়াওজবশিংদা পীথোকলকপা খুদোলনি। মখোয়গী মপালনা লমদমসিনা মাইকৈ অসোমদা লেমজনফম মিংচৎ ফংবা ঙমজবনি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা সাউথ ইন্দিয়া অমদি অৱাং নোংপোক অসোমদা হায়বা তারগনা বঙ্গৌলি, অসামীজশিং মখোয়গী আর্ট এন্দ কলচরদা থৱায় লুপ্পী। মখোয়গীদি মীপূম খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা শৌগৎলি। আর্টষ্টিশিংবু ইকায় খূম্নে । চহী য়াম্লবা আর্টিষ্টশিংবু উরগা নোল্লুকপা মতৌ উৎলি,খূরুম্মী । মখোয়গী মচা মশুশিংনা শক্লাইখিবা মপা মপুশিংগী মিংদা চেরিটেবল ত্রষ্ট লিংখৎলি, তুংকোইনা খঙনবা মেমোরিয়েল একাদেমী হাংঙি। ঐখোয়গী লমদম অসিগীসু মশক নাইখিবা, নাৎকী হীরম কয়া-জগোয় ঈশৈ,ফম্বাক লীলা, ৱারী লীবা, পেনা খোংবা, খোংজোম পর্ব্ব শকপা,অয়ৈ অখোং, খুৎ-শা হৈবগী লমদা খঙ-হৈরবা মশীং খঙদনা লৈরকই। মখোয়না খঙখিবা হৈখিবা মহৈশিং,আর্ট ৱার্কশিং মখোয়না থূপখিবদা লোয়ননা অদুম লোইখি। মখোয়গী তুং ইলহৌবা খরতনা খজিক খঙজহৌবগী ৱাতনি। খঙলিবা অদুসু ওঝাশিং,অহল লমনশিং অদুনা খঙখিবা অদু য়ৌনা খঙখিবা মীগী মশীং লীকখি। মচা মশু ওইবশিংনা অহল লমনশিং অদুনা তৌজরম্বা হোৎনজখিবা কয়া অদু খঙবীখিদবা, মমল য়াওদনা লৌদুনা খঙহৌ তমহৌদবা কয়া অমসু লৈখি। অহলশিং অদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা অখঙবা কনাগুম্ব মীনা হায়রক্লবা মতমদা তপ্পা খঙলকপা মচা মশুফাওবা য়াওরি । অহল-লমনশিং অদুনা শীজিন্নরম্বা,থমলম্বা লাইরিক লাইশু, নাৎকী পোৎচৈশিং মচা মশুশিংনা চেকশিনবীদবদগী মীগীদা লৈরম্বা ফাওবা থেংনরি । অসিগুম্বা হিংলিঙৈদা ইমুং মনুংদা থৌশাবীখিদবা, লৈখিদ্রবা মতুংদা মতীক ময়াই খঙনরকপসিনা নীংঙমহৌদবা ইমুং মনুংসু কোঙ্গাইনি।

লমদমসিগী মাঙলমচৎতা লৈখিবা কলা সংস্কৃতিদা কৎথোকখিবা অহল-লমনশিংদি করিগুম্বা মখল অমত্তগী কান্নবা ফংদনা মীনসু খঙবীদনা ৱানা পূন্সি লেনখিবা কয়ানি। ঙসিসু অসিগুম্বা মওংসি পুংকোক কোকপমক্তি ওইদ্রি। নহাওইরিঙৈ মতমদদি তৌরুবা য়াওরুবা, আর্টফোর্ম অমদা ইপক্তা পকচরম্মী, মীনা য়েংনিংলম্মী, খোঞ্জেল তানিংলম্মী। অহল ওইরল্লবা, পাঙ্গল থৌনা লৈরকত্রবা মতমদা কনা অমত্তনা হন্না য়েংলদবা, শোন্নবীদ্রবা হায়বসি আর্টিষ্টশিংগীদি খ্বাইদগী পূক্লিং নুংশিবা, ৱারৌফম মতাং অমনি। হকচাংগী ফিভম চারক্তবা, অনা-অয়েক য়াওরল্লবা মতমদনা হেন্না পূক্লিং নুংশিবসু ওইরিবনি। হৌখিবা চহী কয়া অসি আর্টিষ্টকীদমক চাউখৎনবা ৱেলফিয়ার ফন্দ নৎত্রগা স্কিম অমত্তা মরীলৈনবা অমত্তনা শেমলকখিদ্রি হায়বা য়াই। কলচরেল পোলিসি শেমসি হায়না ঙল্লিঙৈদগী লাওরগা লাকখিবসি অসিগুম্বা কয়া অসি শেমলক্লবগী থৌরাংনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা আর্ট এন্দ কলচরগী মখাদা লৈদুনা, অপীকপা শেনফম্না আটিষ্টশিংবু পেন্সন পীবীবা, নহাওইরিবা আর্টিষ্টশিংদা য়ং টেলেন্ট এৱার্দ অমদি ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দনচিংবা মশক নাইবা মীওইশিংদা পীবীবা নত্তনা থোইদোকপা লমদমসিগী নহা অহল আর্টিশিংদা শেন থুমগী তেংবাং থৌরাং লৌখৎখিবা মাঙলমচৎতা লৈখিদ্রি খঞ্জে।

হন্দক ইথা থাজদনা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা "চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং" হায়না মিংথোনবা তোঙান তোঙানবা লমদা লৈবা লমদমসিগী আটিষ্টশিংদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীনবা হাংদোক্লিবা স্কিম অসি য়াম্না মমল লৈ হায়না লৌজৈ। আর্টিষ্টশিংনা শোয়দনা পেনবীগনি খঞ্জে মরমদি মতম শাংনা কৎথোক্তুনা লাক্লবা মীয়াম্না নুংঙাই ফজৈ হায়না থাগৎপীবা নত্তনা অহেনবা কান্নবা ইফং ফংদ্রবশিংবু মখোয়না শরুক য়াজরিবা শিনফম অদুবু মশক খঙবীবা অমদি মখোয়গী মমল খঙবীরকপদগী মতেং খরংদং ওইরবসু পাংবীনবা হোৎনবীরকপসি মমল য়াম্মী। চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং অসি মণিপুর কলচরেল পোলিসিগদি মরী লৈনদবা মাল্লি । কয়াম কুইনা মখা চৎথবা ঙমগদগে ? ৱাহং অসিমদি হংনিংঙাই ওইরি। কলচরেল পোলিসিগী মনুংদা লৈরগনা কমদৌবা অসিনচিংবা কয়াসি কূপ্পা নৈনবা অমসু চঙব্রা খঞ্জে । অমবু ওইরবসু আটিষ্টশিংদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীনবা হাংদোক্লিবা স্কিম অসিমদি অসুক্কী মতীক ফরে । ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা ৱাজরকপসি কুইরে। কয়া অমসু করিগুম্বা মখল অমত্তগী কান্নবা ফংদনা পূন্সি লোম্নখ্রবনি। মখোয়গী থৱায়নসু পেঞ্জরগনি ।

হন্দক্কী তেংবাং অসিদা য়াওরিবসি- অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংদা পীবা পেন্সন স্কিম, ইন্টরনেম্নেল অমদি নেম্নেলগী থাক্তা ফেষ্টিভেল শরুক য়াবদা পীবা মতেং, ট্রেনিং পাংথোক্কদবা অনৌবা প্রডক্সন পুথোকপদা কলচরেল ট্রুপশিংদা পীবা মতেং, মহৈ তমজরিবশিংদা খুৎশু খুৎলাই, ইন্সত্রুমেন্ট লৈনবা পীবা মতেং অমদি মশকনাইবা ইকায়খূম্ননিংঙাই ওইরবা, তোপ তেপ্পা মনা মথুম ফংবা মীশক মীওইদা পীগদবা এৱার্দ স্কিম অসিনচিংবশিং মখল মখলনি। তেংবাং শেন্থং ফংবা য়াগদৌরিবা অসি ইলায় লায়না,আর্টিষ্ট খূদিংমক্লদি ফংবা য়ারোইদৌরি। মরি লৈনবা চে-চাংনচিংবা উৎপা, আর্টিষ্ট মশা মশক-মশা নীংথিনা তাকপা অমা চঙলি । খুৎশু খুৎলাই, মহৈ তম্বদা চঙগদৌরিবা যন্ত্রশিং লৈজনবগী স্কিম অমা য়াওহনবীরকপসিনা অমুক্কা হেন্না ফিভম চাজদবা মহৈদি তমজনিংবা মহৈরোইশিংগীদমক খল্লগা হাপ্পীরল্লিবা অসি চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং অসিগী হেন্না ফজবা স্কিম, অমসু ওইহল্লি । কান্নবা পীরিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা হাংজবা, গর্ভনমেন্ট ডান্স কলেজ,শ্রী শ্রী বালমুকুন্দ দেব ম্যুজিক কলেজ, ইম্ফাল আর্ট কলেজ, অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মহৈরোইশিং অসিনচিংবশিংদনি। মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীবনি।

নৌনা হাংদোকপীরিবা স্কিম অসি মচা অমদি ওইদ্রি, অচৌবা শেনফম অমগী থৌরাংনি। লৈঙাক্লা পোরম অমা খঙবীদুনা শেম্বীরকপা ওইগনি। আর্টিষ্টশিংগী নুংঙাইজনবনি, মখোয়না হৈজরিবা হীরম অদুগা লোয়ননা হিংজবা ঙম্নবনি। লমদমসিগী শেন থুমগী ফিভমসি অফবা ওইনা ঙাঙনবসি ইতা তাজরক্তে । কদায়দগী পৈশাননো হায়বসি য়াম্না হায়নগনবা লমদমনি। আর্টিষ্টশিংনা মরম চুম্না অমদি মফম চানা থবক্তা ওন্থোকপীরগদি তুং কোইনা চৎপদা নত্তনা চাউখৎপগী মাইকৈদসু লাকপা ঙমগনি। অহল লমন্দা পীবা পেন্সনগীনা অমা ওইজখ্রগসু অতৈদি লেম্না ফংবনি হায়দুনা তাইওন্নবা অমদা শীজিন্নখ্রগদি মহৈ চাবা ঙল্লোই। নাৎপুসু কনবা, আর্টিষ্ট মশাবুসু হিংনবা শেমলকপা তেংবাংনি হায়বসি খঙনা, পূকচেল শেংনা আর্টিষ্টশিংনা থবক পাংথোকপা মথৌ তারি। স্কিম অসি তুং কোইনা চৎনবা ঙমহনবীয়ু হায়না তাইবং মপুদা খুরুমজবা তাই।

হৌজিক চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং স্কিম অসি হৌদোকপীরকপসিনা নহাওইরিবা, মহৈ তমজরিবা আর্টিষ্টশিংগী মঙলান অমদি ওইরগনি। চৎফম খঙদনা অমম্বা লম্বী অমদা মাদুনা চৎলম্বা অদু লম্বী মচা অমদি উবা ফংদুনা চৎচবদা মতেং ওইরগনি। থৱায় ৱাজরিবা অমখক্তি-নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংনা খঙজনবা, তমজনবা শিন্তাকপা ওঝাশিং থিরকপদা তাকপীবা ঙম্বা অখঙ অহৈ অহল লমন ওঝাশিংদি অয়াম্বনা লাইওইখিরল্লগনি অমদি ফিভম মওং চাদনা লৈরমগদৌরি। ওঝা খরদি হাংদোকপীরিবা স্কিম অসিনা কোনশিনবদা য়ৌবা ঙমদবসু য়াওগদৌরি। খুদম ওইনা মনা মথুম ফংদবা, রিকগনিসন লৈজদবা নাৎকী ওইবা মহৈদি হৈজবা কয়া অমসু লৈরি । মহৈরোইশিংগী মরক্তসু অমুক পনবীখিবা লৈঙাক্লা শকখঙলবা লোইশংশিংগী মহৈরোই ওইদবা অতোপ্পা ওঝাশিংগী মখাদা থাইনগী ওইবা মচৎতা চৎচদুনা তমজবা কয়াসু লৈরি। লৈঙাক্কী হাংলিবা নাৎকী লোইশঙশিংদা তম্বা য়াওদবা হীরমশিং লন্নাই ওইনা অখঙবা ওঝাশিংগী নাক্তা তমজবা মহৈরোইশিংগী মরাইবক্তি কমদৌবা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই । লৈঙাক্লা হাংদোকপীরিবা নাৎকী লোইশংশিংনা লমদমসিগী নাৎকী মহৈ খূদিংমক তম্বীগনি হায়বসিসু অরুবা ওইগনি। লমদমসিগী নাৎকী শাগোন্নরকপা পূক্কে অসি য়াম্না পাক চাউই। হীরম অমত্তনা মসিনা মরোইরে অমদি মরুওইবনি হায়না লৌবা য়াদবা লৈরি। অমুক্তদা লোইনা কোনশিনবা ঙমদবনিনা অহানবা হাংদোকপীরল্লিবা হন্দক্কী চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং অসি ঐখোয় পূন্নমক্লা তরাম্না ওকমিন্নসি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৬৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

থোঙদা হেক চংবগা মাংদা লৈরিবা ৱার্দরোবতা লৈরিবা মীতম কয়া উরকই। মীতমশিং অদুগী মনুংদা মরুওইবা লাইরেম্বী মীতম মানবা অমসু লৈরম্মী। মীতম অদু তশেংনমক য়াম্না অরিবা মতমগী মীতম অমনি।

জোগনাথনা লাইশঙ অদুদা হেক চঙখিবগা য়াম্না থুনা মখোঙ-মখুৎ শাংনা তিংথোক্লদুনা লাই খুরমখ্রে। মওং অদু লানফমদা বোম পোকখায়রকপগী মখোল হেক তাবগা সিফাইশিংনা উপশিন্দুনা লৈবা মাল্লি। অদুগা খোঙশাশিংগী মতেংনা ফমলদুনা মহাক্লা পূক্লিং নুংশিবা অমগা লোয়ননা লাইশোন ঈশৈ শকপা হৌরকই। অদুবু মহাক্লা শক্লিবা ঈশৈ অদু করি ঈশৈনো হায়বা খঙবা ঙমদে, অদুবু ঈশৈ অদু তারগা খঙবা ঙম্মী মদুদি মহাক কপ্পদি নত্তে, ঈশৈ অমদি শক্লি। জোগনাথকী অদুগুম্লবা পূক্লিং নুংশিবগী মতৌ অদু গাঞ্জা থক্লবা কংক্রদগী থোরকপা নত্তে অমদি য়ুগী ময়াইনসু নত্তে। মহাক্লা হেক কিরিবদি পুলিসশিংনি। অমবু ওইরো অমবু ওইরে ৱাফম অমদি ময়েক শেংলে মদুদি মীওই মরি-মঙাদি মশানা শক্লম্বা লাইশোন কাউরদুনা মহাক্লা শক্লিবা লাইশোন ঈশৈ অদু তাদুনা লৈরম্মী।

সনিচরসু প্রধান ওইগনি হায়না খল্লিবনি। মহাকসু লাইশঙ অদুগী ময়ায় মক্তদা খুরু খুদক কুল্লদুনা ফীভম অমদা হেক্তা ফমথখ্রে অদুগা 'জগদম্বিকে', 'জগদম্বিকে' হায়রদুনা লাউরকই। মান্দপ অদুদা মেলা য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা পীক থন্না লৈরম্মী অমসুং কনা অমত্তনা মীওইশিংগী ৱা তানদে, অদুবু মখোয়না মফম অমদা হেক থুংবগা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা মখোয় লাক্লে হায়না তাক্লবগী তোঙানবা মখলগী নম্ফু শাফুদা তৌবা থবকশিং অদু তৌদ্রবদি মতৌ করম্না গঞ্জাহা হায়গদৌরিবনো? মীওইশিং সনিচরদগী খজিক লাপথোক্লা লেপ্পখ্রে। অশোমদনা রুপ্পন বাবুসু মমিৎ উইশিন্দুনা য়াম্না থুনা হেক্তা বোর অমা নিরদুনা মমিৎ খঙপাং পাঙথোরকই। মদুগী মতুংদা মহাক্লা মফম অদুগী মেলা য়েংবা হৌরকই। মহাক্কী মনাক্তা নুপী অমা মীতম অমগী মমাংদা নোম্থরদুনা করিগুম্বা খরা হায়দুনা লৈরম্মী। রুপ্পন বাবুনা খল্লম্মী মদুদি অশেংবা মেলাদি অসিনি হায়না।

রঙ্গনাথনা মখুৎ লোন্নরদুনা মরুওইবা মীতম অদুগী মনাক্তা চঙশিনখিরম্মী। মহাক্লা মীতম অদু য়েংই অমদি মখা তানা অদুমক য়েংদুনা লৈরম্মী। অরিবা মতমগী মীতমশিংগী আর্টকী মতাংদা মহাক্লা হেক পারম্বা খুদিংমক করিসু কান্নদবুগুম খল্লম্মী। মহাক্লা খল্লি, করিগুম্বা মসিনা লাইরেম্বীগী মীতমনি হায়রবদি মহাক্লা ঙসি ফাওবদা খজুরাহোদা, ভুবনেশ্বর নৎত্রগা এলোরাগী কৈলাস লাইশঙদা য়েংলকখিবা মীতমশিং অদুনা করম্বনো?

থৌনা লৈনা অমুক্তং মমিৎ উইশিন্দুনা মহাক্লা খঙলকখিবা অমদি পারকখিবা খুদিংমক কাউথোক্লবা হোৎনৈ। থম্মোয় মনুংদা লাউরকই, "কনবিয়ু, কনবিয়ু, ঐগী লাইনিংদা লোজিক ওইবা ৱাফম কয়ানা লান্দারক্লে। কনবিয়ু !" অদুবু মহাক্লা মমিৎ পাঙথোরকপদা মশানা খল্লি মদুদি মহাক্কী লাইনিং মাঙখ্রে অমসুং পুৱারীগী মতাংদা তেনৱানা চিনফা ফাবদৌনা পারকপা মহাক্কী লাইরিক অদুনা মহাকপু পুমঙাও ঙাওহল্লম্মী।

ৱাফম অদুদি মীতম অদুগী শকওং-শাদা অনৌবা মওং অমগীনি। মীতম অদুগী মকোকতা সিফাইগুম্না করগুম্বা অমা উপ্পি, মঙক্কী হেক মখাদা চাওরবা ফজরবা থবাক লৈরম্মী। থবাক্কী হেক মখাগী শরুক্লা য়াওরমদে। মীওইশিং অদুনা লাইনিংবগী ৱাখল্লোলগী মীৎয়েংনা য়েংদে, মদুগী মহুৎতা ইংলিসকী হিষ্টোরিগী অইবশিংগী লাইরিকশিংগী মতেংনা লাইশঙ অদুদা লাকপা মাল্লি। মখোয় শুপ্পগী ৱাফম অসি হায়বা ঙমগনি মদুদি "মীতম অসিগী অয়াম্বা হকচাংগী শরুক উরিবা অসিনা ঐহাক্লা খুদমগা লোয়ননা চিংনবা লৈতে মদুদি মসি চাওরাক্লা ১২ শুবা চহীচাগী মতমগী সিফাই অমগী মীতমনি।"

লৈবাক অসিগী মুর্তি কালাগী মতাংদা হায়নিংবা ৱাফম কয়া হায়নরবসু মদুগী ময়োক্তা কনাগুম্বা মীশক অমনা হায়বা ঙল্লোই মদুদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মুর্তিশিংদা জেন্দর খেন্নবগী মতাংদা করিগুম্বা খরদি লোৎশিন্নরম্মী। তেন্না-তেন্না শম কক্লদুনা ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাও শেৎতুনা 'গোল্ফ' কী লম্পাক্তা কোয়না চৎলিবা নুপীশিংগী মতাংদা ঐখোয়না নুপী-নুপানি হায়না শক খঙবা ঙমদ্রবসু মফম অসিগী অরিবা নুপীশিংগী মীতমশিংগী মতাংদদি অসিগুম্বা ৱাফম অসি ৱাহন্থোক লৈতবগা পাঙ্খকনি। অরকিওলোজি তম্বা মহৈরোয়শিংদি ঙকশমগী মখাদা চাওনা লৈরিবা ফীভমশিং অদু য়েংবগী হৈনবী লৈখ্রে। মখা খরা তানা চৎথরবদি অতোপ্পা মওং অমদা অমুক উরকই। পূন্নমক অসি খঙনবগীদমক য়াম্না ৱাখল লৈবগী মীৎয়েং লৈরবা অরকিওলোজিগী মহৈরোয় কয়াসু লৈরম্মী। অদুবু ৱাফম অদু বৌধ বিহারশিংদি গোপুরম অমসুং গোপুরম্গী স্তুপ খঙনবা হোৎনবদা অরানবা থোক্লবসু নুপীশিংগী মীতমবু নুপাগী মুর্তিনি হায়না কৈদৌনুংদা লান্না হায়বা লৈতে।

রঙ্গনাথনা পুজারিদা হংই, "মীতম অসি করম্বা লাইগী মীতমনো?"

পুজারি অদু য়াম্না চিল্লম্মী। লাউরদুনা হায়রকই, "ফুরিৎখাউদগী শেল খরা পুথোক্তুনা তাইবঙমপুদা কৎচৌ, মতম অদুদা নশা-নথন্তা অদুমক করম্বা লাইনো হায়বদু খঙজরক্কনি।"

রঙ্গনাথনা খঙনিংবা অমগা লোয়ননা মীতম অদুগী ঙকশমদা শোক্লম্মী, পুজারি অদুনা চিংনবা অমগা লোয়ননা য়েংলকই, অদুগা লাইরিক-লাইশু হৈবা মীওই অমগুম হায়রকই, "মীতম শোকপগী য়াম্না অকনবা অথিংবা লৈ।"

নুপী অমা লাইখুরম্বা লোয়রদুনা মপান্দা চৎখিরম্মী। রুপ্পন বাবুনা খল্লি মেলা লোয়রে। মহাক্লা রঙ্গনাথকী খুদাং চিংলদুনা হায়, "লাইখুরম্বদি লোয়রে লাকও, চৎলসি।"

পুৱারীনা মীতমশিংদা থাজবা ওই। ৱাফম অদুনা রঙ্গনাথকী মকোক হায়গৎলদুনা হায়রকই, "মতৌ করম্না উগদৌরিবনো ? মসি লাইরেম্বীগী মীতম নত্তে।"

ৱাফম অদু হেক তাবগা গঞ্জহে রঙ্গনাথকী মনাক্তা চঙশিনখিরম্মী। মীওই মরি-মঙা ঙক্লদুনা মখোয়গী মায়কৈদা য়েংলকই। মতম অদুদা এসিষ্টেন্ট ক্যুরেটরগী অমগী মতৌগুম রঙ্গনাথনা রুপ্পন বাবুবু খঙন্নবা হায়রকই, "উদবরা ! মসি তশেংনা সিফাই অমগী মীতমনি। মসিদা য়েংউ, মসি তুপিনি, অসিগা য়েংউ মতুংলোমদা উরিবা তেন্দোং হাপ্পবা অসি। মসিদা অমুক য়েংউ তশেংনা হাংলিবা অসি... "

রঙ্গনাথ সিফাই অদুগী থৌনা ফবগী ৱারী অদু ময়েক শেংনা হায়বা ঙল্লমদে। মদুগী মমাংদা পুজারিনা মহাকপু ইন্থোরক্লম্মী। মহাক তেন্দগী কাপথোক্লবা হোৎনদবা তেনজৈ অমুগুম মীয়াম মরক্তগী ফাওদোক্লদুনা থোঙ ময়াদা পন্দুনা লৈখ্রে।

অশোমদনা পুজারি অদুনা লাইনিংবগী থবক অমদি লাইখুরম্বদা থাদরম্বা শেলশিং খোমগৎনবগী থবক অদু লেপ্পদুনা রঙ্গনাথতা থৌনা লৈনা মচিন থীদুনা চৈরক্লম্মী। মহাক্কী মচিন পীকই, অদুবু অচৌ-অচৌবা মচিন থীবগী ৱা কয়া অদু মীওই কয়া লাল্লদুনা পূন্নমক্লা তারম্মী। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা লাইশঙ অদুগী মনুংদা মচীন থীনা চৈনবগী ৱা ঙাক্তা ওইনা তরম্মী। মরমদি লাইনিংবশিং অদুনা পুজারি অদুদসু থীনা ঙাঙবা হৌরক্লম্মী।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।